# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বোনজাং হিল রেঞ্জদা ওপরেসন চখবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী আমেরিকা খোঙচৎ মায় পাকা লোইশিনখ্রবা মতুং ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংলরে।

অমসুং

৩) জম্মু কাশ্মীরগী অনিসুবা তাঙক্কী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ হৌজিক থাদনরি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

-----

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসনা অকনবা থবক লৌখৎলি। চিংনবা মফমশিংদা লেপ্তুনা কোম্বিং ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চখরি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বোনজাং হিল রেঞ্জদা ওপরেসন চখবদা সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী বোল্ট এক্সন স্নাইপর রাইফল অমা, হেভি কেলিভর লোঞ্চর অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অমা, কন্টেনরদা হাপ্লগা থম্লম্বা পোকখায়বা য়াবা পোৎশক খরা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৫, বুফেং রেদিও সেট অমা ফংলে। মসিগী মথক্তা থৌবাল জিলাগী লিলোং লৌ

তরাদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা ফারে। মচিন হংনবদা মহাক মীঙোনদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মঙোনদগী দিমান্দ লেটর অমা ফংলে।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমদি নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা মথং শিংনা পোৎ পুবা গাড়ি ২৫৩ অমদি ৩৬২ ইম্ফাল তমা পুথোরকখ্রে।

সেনাপতি (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন কন্ট্রোল য়ুনিত সেনাপতিনা শিন্দুনা ঐচ.আই.ভি অমদি সেক্সচুয়েলগী ত্রান্সমিতেদ ইনফেক্সনগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙরাং মরাম বজারদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি উখ্রুল জিলাদসু পাঙথোকখি। ককচিং জিলাদসু থৌরম অসি জিলা অদুগী মোদেল হাইস্কুল ককচিংদা পাঙথোকখি।

নোনে (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী খোংসাংদগী কম্বীরোল ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক নোনে জিলাগী দি.সি অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং য়াওনা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ওফিসিয়েলশিংগা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। লম লৌশিনবগা মরী লৈননা চয়েৎনরিবা ৱাফমশিং লম মপুশিংগা কুপা তান্নখি অমদি লম্বী শেম্বগী থবক্তা মতেং পাংবীনবা তকশিনখি।

বন্দ (এল)ঃ নোনে জিলাগী মখ্বাম ভিলেজ অমসুং চরোই পান্দোংবা ভিলেজদা এন.এফ. রেলৱে কন্সট্রক্সন ৱার্ককী মথক্তা থল্লম্বা অথিংবা সরকারগা য়ান্নবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে।

মখ্বাম ভিলেজ অমসুং চরোই পান্দোংবা ভিলেজগী খুঞ্জাশিংগা মণিপুর সরকার অমসুং এন.এফ রেলৱে ইম্ফাল অনিগী মরক্তা এম.ও.য়ু অমা সাইন তৌনরবা মতুংদা অথিংবা অসি হন্দোকখিবনি ।

পনবা য়াই, রেলৱে কন্সট্রক্সনগী থবক অসি হৌখিবা ২০২২ গী দিসেম্বরদগী লেপ্তুনা লাকপনি। চহি অসিগী জ়লাই ২৯ গী অহিংদা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোকা মরম ওইরগা মীয়ামগী লন থুম মাংহনখিবগা মরী লৈননা কেম্পেন্সেসন পীথোক্তবগী মতাংদা অথিংবা অসি থম্লকপনি। অদুবু ঙরাং এম.ও.য়ু সাইন তৌনখিবা অদুদা কেম্পেন্সেসন অসি পীথোকপগী ৱাফম পল্লি।

ডান্স (এল)ঃ মণিপ়্র য়ুনিভর্সিতিগী ডান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা শ্রীলঙ্কাগী জগোই মখল অমা ওইরিবা কন্দিয়ান জগোইদা য়ুম্ফম ওইবা নুমিৎ হুমি চথুগদবা ৱার্কসোপ অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। কাংপোকপী, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলদনা সেন্তিমিতর ১১ গী চাং য়ৌনা নোং চুগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী আমেরিকা খোঙচৎ মায় পাকা লোইশিনখ্রবা মতুং ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংলরে। প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা বিলমিংটনদা পাঙথোকপা ৬ শুবা ক্বাদ লিদরস মীফমদা শরুক য়াখি। নিউয়োর্কতা পাঙথোকখিবা য়ুনাইতেদ নেসন্স জেনেরেল এসেমব্লিগী সম্মিৎ ওফ দ ফ্যুচর থৌরমদা ৱা ঙাংখি।

প্রধান মন্ত্রিগী আমেরিকা খোঙচৎ অদু নিংথিনা মায় পাকপা অমসুং লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা থোইদোকা কান্নবা পীগদবা খোঙচৎ অমনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রিগী আমেরিকা খোঙচৎতা খন্নখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা টেকোলোজি, এতোমিক ইনর্জি, এ.আই, বাইওটেকনচিংবা য়াওরি। মসিনা ভারত অসি মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংদা মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

ইলেক্সন ঃ জম্মু কাশ্মীরগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ হৌজিক থাদনরি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা ফাওবা ভোৎ থাদনগনি । তাঙ্কক অসিদা জিলা ৬ কী বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা ভোৎ থাদনরি।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- তাঙ্কক অসিদা ভোতর লাখ ২৫ লিশিং ৭৮ না মীরেপ ২৩৯ গী মরাইবক লেপকনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মনুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লাহ য়াওরি। তাঙ্কক অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ৩,৫০২ হাংদোক্লি। মীখল অসিদা পুলিস পার্সোনেলশিংগী মথক্তা পোল্লিং পার্সোনেল লিশিং ১৩ হেনবনা মথৌ তৌরি। ষ্টেসন খুদিংমক ৱেব কাষ্টিংগী খুদোংচাবা পীরি। লাঞ্জেন্নরক্লিবা কাশ্মীরি পন্দিৎ লিশিং ১৫,৫০০ তাঙ্কক অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ২৪ দা ভোৎ থাদবগী খুদোংচাবা পীরি।

য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্লি। থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্তা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৬১ ওইখি। ভোৎ মশিং ওক্তোবর ৮ দা থীগনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, নিউয়োর্কতা পাঙথোক্লিবা ৭৯ শুবা য়ুনাইতেদ নেসন্স জেনেরেল এসেমব্লিগী জেনেরেল দিবেটতা থা ২৮ অসিগী ৱা ঙাংগনি। জেনেরেল দিবেট অসিগী থিমদি- শান্তিগী লমদা চংশিনবা মরোমদোম লেপচবা ঙমহনবাতুংগী মীরোলগীদমক মীওহবগী হক নিংথিনা খঙহনবা হায়বা খোঙথাং অসিদা কনাগুম্বা অমত্তা চিখহন্দবা হায়বসিনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ অমুক হন্না চৎনহনবা অমদি চৎনহন্দবা হায়বগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা মীফমগী পাউ, কুকি সিভিল ওর্গনাইজেসন-আই.টি.এল.এফনা সেপ্তেম্বর ২৬ তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা  কুকি জোশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা খুঞ্জাশিংনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখিবা, লোয়ননা সেপ্তেম্বর ২৮ দনা হায়রিবা মফমশিং অসিদা টোটেল সটদাউন লাউথোকখিবা অমদি রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জননা লমদমসিদা থাং থাদুনা অঙাং উন্নবগী হৈনবী অসি হন্থহন্নবা মীয়ামদা তৌখিবা আপীলনা ঙসিগী পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সেন্তর অমসুং ষ্টেটনা মণিপুরদা অফস্পা রিভিউ তৌগদৌরি হায়বা বেন্নর হেদলইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসিমক নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লমায়দা- অফস্পাগী মতাংদা সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মরক্তা ৱারী শান্নরগনি। সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী মরক্তা খেন্নবা ৱাখল্লোন কয়া লৈরে- এজেন্সি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি সিভিল ওর্গনাইজেসন আই.টি.এল.এফকা মরী লৈনবা পাউ অসি পোকফম পাউচেদা- মৈতৈনা এটেক তৌরক্কনি হায়দুনা সেপ্তেম্বর ২৮ দা কুকি তাবা মফমশিংদা টোটেল সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ঈচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা- মণিপুরদা থাং থারগা অঙাং উন্নবগী চাং হন্থরক্লে হায়না মিনিষ্টর ডাঃ রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ

ওইনা ফোংলি।

ওপরেসন তৌদুনা অঙাং উন্নবগী চাং হন্থরক্লে, মমা ওইবীশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা লৈঙাকা অকনবা মীৎয়েং থল্লি হায়না মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নেসনেল পিপলস পার্তিনা বিরেন লৈঙাক শৌগৎপা শৌগৎতবা গুৱাহাতি মীফমদা খঙলগনি হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৭ আর.টি.আইগী ওনলাইনা পোর্তেল হাংদবগী সুপ্রিম কোর্টনা কন্তেম্প ওফ কোর্টকী ইন্তরিম ওর্দর পীখ্রে হায়না মণিপুর নিউজদা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা সি ওফ ফেষ্টিভেলদা রোব বেনানি শরুক য়ারগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোং হেদ ক্বাটরদা মুকতিনা শিন্দুনা এন্তি চাইল্ড ত্রাফিক্কিং প্রোজেক্টকী ৱার্কসোপ পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিমক গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------